## গ্লোবেল কনভেন্সন য়ান্নবা তকশিনখ্রে

বাকু, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি) :

১৮ শুবা নন-এলাইন্দ মুভমেন সম্মিটকী মাঙওইননা টেররিজম হায়বসি মালেমগী মরা তপ্পা ফিভম, সিক্যুরিটি অমদি দেভলপমেন্টতা পীরিবা অমত্তা ওইবা খ্বাইদগী চাওবা থ্রেটনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নন এলাইন মেম্বর পাটনরশিংদা কমপ্রিহেন্সিভ কনভেন্সন ওন ইন্টরনেসনল টেররিজম (সী সী আই টি)গী মতাংদা য়ান্নবা অচেৎপা ফিরেপ অমা নৌহৌননা লৌনবা অমদি পান্দম অসি ফংনবগীদমক্তা ইন্টরনেসনল কম্ম্যুনিটিগী ইহৌ শাগৎনবা আপিল তৌখ্রে।

## ষ্টিল মিল মৈ চাকপদা মীওই ৭ শিরে

বৈজিং, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি) :

চাইনাগী অৱাং থংবা প্রোভিন্স হেবৈদা লৈবা ষ্টিল মিল অমা মৈ চাকপদা মীওই তরেৎ শিরে হায়না প্রোভিন্সিএল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা প্লান্ট অদুদা প্রদক্সন লেপ্পা লেপ্তবগী ৱাফম খঙবা ঙমদ্রি।

## চাইনাগী ওইল সর্ভে ভেসেল সাউথ চাইনা সীগী ভিয়েটনাম্মা কন্ত্রোল তৌবা য়েৎনবা মফম থাদোকখ্রে



হনোই, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি) :

সাউথ চাইনা সীদা ভিয়েটনামগী ভেসেলশিংগা মুক্নবগী ফিভমদা লৈরম্বা চাইনাগী ওইল সর্ভে ভেসেল অমা শগোলশেল নুমিত্তা ভিয়েটনাম্মা কন্ত্রোল তৌবা ঈশিংগী শরুক থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়বসি মরিন দেতানা উৎখ্রে।

চাইনিজ ওইল সর্ভে ভেসেল অদু মফম অদুদা ভিয়েটনামিজ ভেসেলশিংগা মুক্নদুনা থা অহুম হেন্না লৈরম্মী হায়রি। ভেসেলশিং ট্রেকিং তৌবা ৱেবসাইট অমা ওইরিবা মরিন ট্রাফিক্কী দেতা মতুং ইন্না হাইয়াং দিজহি ৮ কৌবা চাইনিজ ভেসেল অদু শগোলশেল নুমিত্তা য়ামদ্রবা চাইনিজ জহাজ অনীগী এস্কোটকা লোয়ননা ভিয়েটনামগী এক্সক্ল্যুসিভ ইকনমিক জোনদগী চাইনা পাংখি।

চাইনানা সাউথ চাইনা সীগী ইনর্জি মরাং কায়না ফংলিবা ঈশিংগী শরুক পুন্নমক ক্লেম তৌবগা লোয়ননা য়ুমথংনরিবা ব্রুনৈ, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, টাইৱান অমসুং ভিয়েটনাম্নসু চাইনাগা ফংজিন্ননা মান্নবা ক্লেমশিং তৌরিবনি।

হৌখিবা জুলাইগী অঙনবা শরুক্তা চাইনানা ভিয়েটনামগা নক্নুনা লৈবা সাউথ চাইনা সীগী ঈশিংগী শরুকশিংদা সাইজমিক সর্ভেশিং পাঙথোক্লবগীদমক্তা ভেসেল অদু থাবদগী হনোই অমসুং বৈজিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

হনোইদা লৈরিবা ভিয়েটনামিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা চাইনিজ ভেসেল অদুগা লোয়ননা মদুগী এস্কোর্টশিংবু ভিয়েটনামগী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনৈ হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন্না মরাল শীখিবগা লোয়ননা চাইনাদা ভেসেলশিং অদু মফমদুদগী লৌথোকখিনবা দিমান্দ তৌখি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা রোইটর্সনা ঈমেলগী খুথাংদা মিনিষ্ট্রি অসিগী কমেন্ট লৌনবা হোৎনবদা খুদক্কী ওইনা ফংবা ঙমখিদে।

চাইনিজ ভেসেল অদুগী মতাংদা হংবদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন হুৱা চুনয়িংনা হায়খি মদুদি, ভেসেল অদু জুলাইগী অঙনবা শরুক্তা চাইনানা কন্ত্রোল তৌবা ঈশিংগী শরুক্তা সাইন্টিফিক সর্ভে অমা পাঙথোকপা হৌখিবনি।

## বাংলাদেশতা স্কুল প্রিন্সিপাল অমা য়াওনা মীওই ১৬ শিবগী চৈরাক পীখ্রে



ধাকা, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি) :

বাংলাদেশকী লাইনিং-লাইশোলগী ওইবা স্কুল অমগী প্রিন্সিপাল য়াওনা মীওই ১৬ নুপীমচা অমা হাৎখিবগী মরালদা শগোলশেল নুমিত্তা শিবগী চৈরাক পীখ্রে। পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী মতুং ইন্না, স্কুল প্রিন্সিপাল অদুগী মায়োক্তা থাখিবা সেক্সচ্যুএল হরাসমেন্টগী কমপ্লেন্ট অমা নুপীমচা অদুদা ৱিথড্রো তৌ হায়বা য়াখিদবনি হায়রি।

হৌখিবা এপ্রিলদা বাংলাদেশগী খা নোংপোক লমদমগী ফেনি কৌবা দিষ্ট্রিক্ট অমদা লৈবা মশাগী চহী ১৮ শুরবী নুস্রাট জহান কৌবী নুপীমচাদুনা তল্লিবা মদ্রাসাগী য়ুমথক্তা মীহাৎপশিং অসিনা মহাকপু কেরোসিন হৈজিল্লগা মৈ থারগা হাৎখিবনি।

কোর্টনা ভর্দিক্ট অদু পীরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা পব্লিক প্রোসিক্যুটর হফেজ অহমদনা ঐখোয় জজমেন্ট অসিদা অপেনবা পোক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

পুলিসনা মখোয়গী চার্জসিত্তা মীহাৎ অদু প্রিন্সিপাল অদুগী ওর্দরদা পাঙথোকখিবনি হায়না পনখি। নুস্রাট জহানগী মীহাৎ অসিনা মীয়াম্বু খোইরাং খোইশাওহন্দুনা লৈবাক শীন থুংনা মাস দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোক্তুনা মহাকপু হাৎলিবশিংবু মতিক চাবা চৈরাক পীনবা দিমান্দ তৌখিবনি।

## ট্রক্তা য়াওরম্বা অশিবা মীওইশিং চাইনিজ মচা ঙাক্তা ওইরম্লে



লন্দন, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি) :

লন্দনগা নক্নুনা ট্রক অমগী মনিংদা য়াওরম্বা থেংনখিবা অশিবা হকচাং ৩৯ চাইনিজ নেসনলশিংনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা আই টি ভি ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মী হাৎপদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা ফাজিন্দুনা থল্লিবা দ্রাইভর অদুবু পুলিসনা ৱাহং পাউহং চথুরিঙৈদা ন্যুজ রিপোট অসি ফোঙলক্লিবনি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বৃটিশ কেপিটেলগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৩২ রোম লাপ্পা লৈবা গ্রেজগী ইন্দষ্ট্রিএল অমদা ট্রক কন্টেনর অমদা মপুং মরৈ ফারবা মীওই ৩৮ অমসুং নহা ওইরিবা মীওই অমগী অশিবা হকচাংশিং য়াওরম্বা পেরামেদিকশিং অমসুং পুলিসনা থেংনখিবনি।

পুলিসনা হৌজিক ফাওবা ভিক্তিমশিং অদু আইদেন্টিফাইদ তৌদ্রিবা ওইরবসু আই টি ভিগী রিপোর্টনা মখোয় লোইনমক চাইনিজ নেসনলশিংনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ইসেক্স পুলিসনা হায়খি মদুদি, মখোয়না রিপোর্ট অদু কনফার্ম তৌবা ঙমদবগা লোয়ননা মদুগী মতাংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রি নৎত্রগা চাইনাগী লন্দনদা লৈবা এম্বেসিদগী খুদক্কী ওইনা কমেন্ট অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

দিটেক্তিভশিংনা হৌজিক মশাগী চহী ২৫ শুরবা নোরর্দন আইরলেন্দগী ট্রক দ্রাইভর অদু ৱাহং পাউহং চথুরি। ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মরমদা নোলেজ লৈবা সোর্স অমনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক বৃটিশ প্রোভিন্স অদুগী পোর্টাদাওন্দদা লৈবা মো রোবিন্সন কৌবা মীওই অমনি।

থীজিন-হুমজিনবগী থবক অদুগী শরুক অমা ওইনা পুলিসনা নোরদর্ন আইরলেন্দদা য়ুম অনীদা রেইদ তৌখ্রে হায়না বি বি সীগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। চহী কয়াগী মমাংদগী হৌনা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা য়ুরোপ ময়োল লমদমদগী য়ুনাইটেদ কিংদম য়ৌনবা হোৎনরদুনা ট্রকশিংগী মনিংদা তোংদুনা বৃটেন্দা চঙননবা তোয়না হোৎনদুনা লাকখিবনি।

## রসিয়াগী ন্যুক্লিয়র বোম্মরশিং অফ্রিকাদা লেন্দিং তৌখ্রে



সোচি/মোস্কো, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি) :

ন্যুক্লিয়র খুৎলায় পুবা ঙম্বা রসিয়াগী বোম্মর অনী ট্রেনিং মিসন অমদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সাউথ অফ্রিকাদা লেন্দিং তৌখ্রে। মদু রসিয়াগী ইথিল হেনগৎনবগী পান্দমদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন্না ফ্লেগসিপ রসিয়া-অফ্রিকা সম্মিট অমা হাংদোকপগা মতম চান্ননা পাইখিব ফ্লাইটনি হায়না লৌনরি।

তুপোলেভ তু-১৬০ ষ্ট্রেটেজিক বোম্মর অনীদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা তসৱানদা লৈবা ৱাটরকলুফ এয়র ফোর্স বেজদা তাখি হায়না সাউথ অফ্রিকান নেসনল দিফেন্স ফোর্সনা ফোঙদোকখি। রসিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মায়কৈদগীসু মিসন অদু সাউথ অফ্রিকাগা মিলিটরি মরী ফগৎহন্নবগী মওংদা পাঙথোকখিবনি হায়খি।

রসিয়াগী খা থংবা লমদমদা লৈবা সিটি সোচিদা পাঙথোকপা নুমিৎ নিনিগী সম্মিট অমদা অফ্রিকাগী হেদ ওফ ষ্টেট কয়াগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা পুটিন্না মথংগী চহী ৪ দগীনা ৫ ফাওবগী মনুংদা অফ্রিকাগী লৈবাকশিংগা লল্লোন ইতিক তৌনবগী চাং শরুক অনী হেনগৎহন্নবা আপিল তৌবগা লোয়ননা মোস্কোগী মায়কৈদগী অফ্রিকাগী লৈবাকশিংদা তোনবা দোলর বিলিয়ন ২০ হেনবগী শেন্দোল কোকথোকখ্রবনি হায়খি।

অহানবা রসিয়া-অফ্রিকা সম্মিট অসি ক্রেম্লিন্না অফ্রিকাগী লৈবাকশিংগা লল্লোন ইতিক্কী মরী ফগৎহন্নবা অমদি কুমজা ১৯৯১ দা সোভিয়েট য়ুনিয়ন কায়খ্রবা মতুংদা মাঙলুরবা রসিয়ানা অফ্রিকাদা ইথিল পীবা ঙম্বগী মতিক ময়াই অমুক হিনগৎহন্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্লিবনি।পনবা য়াই, কোল্ড ৱারগী মতমদা সোভিয়েট য়ুনিয়ন্না অফ্রিকাগী লেফটিষ্ট গর্ভর্নমেন্টশিং অমসুং লেফকী ইহৌশিং শৌগৎখিগনি। রসিয়ন কম্পনি কয়া মতম শাংনা অফ্রিকান ইকনমিগী তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংগী পার্টনরশিংগা মায় পাক্লা থবক তৌমিন্নদুনা লাকখিবগা লোয়ননা কম্পনিশিং অসিনা হৌজিক অফ্রিকাদা মখোয়গী ইথিল হেনগৎহন্নবা থৌরাং তৌরি।

কম্পনিশিং অসিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি ঐখোয়না ষ্টেট লেভেলদা সপোর্ট তৌগনি হায়না পুটিন্না ফোঙদোকখি। রসিয়াগী ষ্টেট ন্যুক্লিয়র কম্পনি রোসাতোমনা হৌজিক ইথিওপিয়াদা ন্যুক্লিয়র পৱার ষ্টেসন অমা শান্ননবা নিগোসিএসন চথুবসু লৈরিবনি।

## জপানগী অবেনা সাউথ কোরিয়াদা ৱাশক ঙাক্লবা তকশিনখ্রে



টোকিয়ো, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি) :

পুৱারী অমসুং লল্লোন ইতিক্কী ৱাফম খরনা মরম ওইদুনা শোকচিনখিবা মরী নৌবা ফগৎহন্নবা হোৎনরদুনা জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবে অমসুং সাউথ কোরিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর লী নাক-য়োননা শগোলশেল নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়া অমসুং অতৈ ইশ্যু কয়াদা কোওপরেসন পীনবগী তঙাইফদবা ৱাফম য়ানখ্রে।

তৌইগুম্বসুং লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবা হোৎনবদা প্রোগ্রেস লৈবগী মমি উবা ফংদে হায়না লৌনরি। জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর অবেগী মায়কৈদগী ৱাশিংটনগী মীচংশিং ওইরিবা এসিয়াগী লৈবাক অনীগী মরক্তা হীরম খুদিংমক্কী মরী ফগৎহন্নবগী সাউথ কোরিয়ানা মমাংদা শকখিবা ৱাশকশিং ঙাকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না অমুক হন্না পনখি। হৌখিবা ওক্তোবরদা সাউথ কোরিয়াগী তোপ কোর্টনা জপানিজ ফার্ম খরদা অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা জপানগী মাইনশিং অমসুং ফেক্টরিশিংদা নমদুনা থবক শুহনখিবা কোরিয়ানশিংদা কম্পেন্সেসন পীনবা ওর্দর তৌখিবদগী টোকিয়ো অমসুং সিওলগী মরক্তা লৈনরিবা মরী শাংলবা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ফিভম শোকচিল্লকখিবনি।

ৱাফম অদু কুমজা ১৯৬৫ গী ট্রিটি অমনা সেট্টল তৌখ্রবনি হায়রিবা জপান্না সাউথা কোরিয়াগী কোর্টগী ৱারেপ অদুবু ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি হায়খি। লৈবাক অনীগী য়েৎনবা অসিনা লল্লোন ইতিক অমসুং সিক্যুরিটিগী ৱাফমশিংদসু শোকহনবা হৌরকখিবনি। নাকল অনীগী কন্না মুক্নবা হৌখিবদগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী মীফম্নি হায়না লৌনবা টোকিয়োগী মীফম অদু হৌবদা জর্নেলিষ্ট ১০০ রোম্না শরুক য়াখি। মীফম অদু নাকল অনীগী লুচিংবশিংগী মরক্তা খুৎ শোক্নরগা হৌখিবা ওইরবসু মখোয়গী মায়থোংদা হরাও তয়াম্বগী মমি অমত্তা তাখিদে হায়রি।

## ব্রেক্সিটকী থৌরাংদা কেবিনেট মনুংদা য়ানদবা লৈ হায়বা য়াখিদ্রে



লন্দন, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি) :

ব্রেক্সিটকী প্রোসেস করম্না খুমাও চাওশিন্নহনগদগে হায়বগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগী কেবিনেট মনুংদা মোৎ তিন্নদবা কয়া লৈরে হায়বা ৱাফম য়ু কে গভর্নমেন্টনা য়াখিদ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু)না ব্রেক্সিটকী হৌজিক লৈরিবা ওক্তোবর ৩১ ফাওবগী মতম অসিদগী কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারি ফাওবা অমুক চোন্থহনবগী ৱাফম হৌদোরকপা তারবদি প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন্না পার্লিয়ামেন্টকী মীফম ঙন্না দিসেম্বরদা পাঙথোক্লবা হোৎনরক্কনি হায়না দাউনিং ষ্ট্রিটনা ফোঙদোকখি হায়না বি বি সীগী রিপোর্টনা হায়খি।

অদুমওইনমক মিনিষ্টর খরদি মীখল ঙন্না পাঙথোকপগী মহুত্তা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱিথড্রোৱল এগ্রীমেন্ট বিল অদু পার্লিয়ামেন্টদা পাস তৌহন্নবা হোৎনবদা ওইনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা পাম্মী হায়রি। অসিগুম্বা চয়েৎনবা চৈরক অসিদা কেবিনেটকী ষ্ট্রেটেজিদা নাকপাক তান্নবগী ফিভম লৈতে হায়না দাউনিং ষ্ট্রিটকী সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

বেক্সিটগী প্রোসেস করম্না য়াংশিলহনগদগে হায়বগী ৱাফম অসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হাউস ওফ কম্মন্সতা ভোট লৌনখিবদা এম পিশিংনা অহানবা পার্লিয়ামেন্টরি দিস্কসন্দা প্রাইম মিনিষ্টরগী দিল অদুবু শৌগৎখিবা মতুংদা দিল অদুগী লেজিসলেসন খোঙজেল থুনা পাস তৌনবগী মহাক্কী থৌরাংশিং রিজেক্ট তৌখিবা মতুংদা লাকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সনগী থৌরাংশিং পার্লিয়ামেন্টতা মায়থিবা নংখিবা অসিনা য়ু কেনা ওক্তোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপগী ৱাফম অসি অমুক হন্না অরুবা ফিভম অমদা লাকহনখি। জোন্সন্না মতম চুপ্পদা য়ু কেনা য়ুনিয়ন থাদোকপা হায়বসি মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা থোক্কদবা থৌদোক্নি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টতা মায়থিবা নংলবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঈ য়ুগী মায়কৈদগী ব্রেক্সিটকী মতম চোন্থবগী ৱাফম য়াই নৎত্রগা য়ারোই হায়বদু তানবগী মতম ঙাইবা ওইনা মহাক্কী ৱিথড্রোৱল এগ্রীমেন্ট বিলগী প্রোগ্রেস লেপ্পগনি হায়না লাউথোকখবনি।

## মৈ চাক্লবা টেস্লা কারগী থোঙ হাংবা য়াদবদগী মনুংদা নুপা অমা শিরে



সান ফ্রান্সিস্কো, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি) :

মশাগী চহী ৪৮ শুরবা ওমর অৱান কৌবা এনিসথিজিওলোজিষ্ট অমা সাউথ ফ্লোরিদাদা মহাক্কী টেস্লা মোদেল এস মনুংদা শিরে হায়রি।

মীওই অসিনা শিরিবদু মহাক্না অনৌবা মোদেলগী মহাক্কী টেস্লা কার অদু কোনা পান্বী অমদা থোমজিল্লবা মতুং গাড়ি অদুগী ফ্যুচরিষ্ট হেন্দল দিজাইন্না মরম ওইদুনা পুলিসনা মহাকপু কনবা ঙমদবদগী থোকখিবনি হায়রি।

অৱানগী ইমুংনা ফাইল তৌখিবা শিফম থোক্তনা শিহনবগা মরী লৈনবা লোসুট অমগী মতুং ইন্না পুলিসনা থৌদোক থোকফম য়ৌদুনা মীওই অদুবু কন্নবা হোৎনবদা গাড়ি অদুগী থোঙগী হেন্দলশিং পায়রুবা মতমদা মদু মথন্তা হঞ্জিনখি অমসুং ফনা কন্না হোৎনদুনসু ওটো-প্রজেক্টকী ফিচর য়াওদবগী মওংদা হেন্দলশিং অদু মনুংদগী থোক্লকখিদে।

অৱান্না গাড়িদু কোনা পান্বী অদুদা থেংজিনখিবা মতমদা পুংদা কিলোমিটর ১২০ দগী ১৪৫গী চাংদা থৌরকখি। কার অদু মৈ হৌবগা লোয়ননা মনুংদু মৈখুনা থনখি হায়না উহৌবশিংনা পুলিসতা ফোঙদোকখি। মহাক্না শিরিবদু কোনা পান্বীদা কার থেংজিনবদুদা নত্তে। তৌইগুম্বসুং কার অদুগী ফিচরিষ্টিক দিজাইন ফ্যুচরশিংনা মরম ওইদুননি হায়না মহাক্কী ইমুংগী উকিলশিংনা ফোঙদোকখি।

কার অদু মৈনা পুময়োম য়োমখিবগা লোয়ননা দাক্তর অৱানগী মশাসু মশক লেপ্পা য়াবগী ৱাংমদা ফিভম থিনা মৈ চাকখি। পুন্নমক অসি টেস্লাগী মোদেল এসকী থোঙগী হেন্দলশিং শীজিন্নবা য়াদবদগী এক্সিদেন্ট থোকপা মতমদা গাড়িগী থোঙশিংদু হাংদোক্লবগী পাম্বৈ অমত্তা লৈতবদগীনি হায়না লোসুট অদুদা পনখি।

এক্সিদেন্ট অদুদা অৱান মমৈথংদা নীংশা স্বোর হোনবদা মৈখু ঙাক্তা হোঞ্জিনবদগী শিখি অমসুং কারনা উ পান্বী অদুদা থেংজিনবা অদুদা মহাক্কী হকচাংদা শরূ তেকপা কায়বা নৎত্রগা ইন্টরনেল ইঞ্জুরি অমত্তা থোকখিবা লৈতে হায়না লোসুট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি। চৈরকসিদা টেস্লাগী ষ্টেটমেন্ট অমনা এক্সিদেন্ট অদুনা কম্পনি অসি অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোক্না নুংঙাইহন্দ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে। এক্সিদেন্ট অসিগী মতাংদা ফেক্টর অমা ওইনা স্পীদকী মরমদা থিজিল্লি হায়বসি কম্পনি অসিনা খঙই। স্পীদ য়াংনা থৌবা তারবদি ইলেক্ট্রিক ভেহিকলশিংদা নত্তনা কার মখল খুদিংমক মৈ হৌগনি হায়না কম্পনিগী ষ্টেটমেন্টনা মখা তাখি।

## সিরিয়াদা এটেক তৌবগীদমক টর্কিদা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকখ্রে



ৱাশিংটন, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সি) :

মতম শাংনা লৈঙোই মরক্তা শোক্লরকখিবা লান হৌজিক কনাগুম্বা খরনা মহুৎ শীন্দুনা শোক্লরসনু হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অমেরিকান ট্রুপশিংনা থাদোকখ্রবা মফমদা তুং কোয়না চৎনগদবা সীজফায়র লৈরগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা, টর্কিনা ৱাশিংটনগী হান্নগী মীচংশিং ওইরিবা কর্দশিংদা লান্দাখিবা মতুংদা মহাক্না অঙ্কারাগী মথক্তা থমখিবা অথিংবশিং লৌথোক্লগনি। খোঙথাং অসি কর্দশিংনা লৈরম্লিবা লমদম অদুদা সীজফায়র চৎনবগী ৱাফম য়ানবদগী লাকপনি হায়খি।

ঙসি অঙনবদা টর্কিস গভর্নমেন্টনা ঐহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্দা সিরিয়াদা মখোয়না চঙশিল্লিবা লাঞ্জং লেপ্পগনি অমসুং লমদম অদুদা তুং কোয়না সীজফায়র চৎনরগনি হায়না খঙহল্লকখি হায়না ট্রম্পনা হ্বাইটস হাউসতা লাউথোকখি। মহাক্না ৱাফম অসি লাউথোকখিবা মতমদা ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্স অমসুং সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওসু মনাক্তা লৈখি।

অমরোমদা ট্রম্পনা ইরাং কনখ্রবা মফম অদুদা টর্কিগী মায়কৈদগী সীজফায়র তুং কোয়না চৎনরগনি হায়রিবা ৱাফম অসিদসু চিংনবা উৎখি। নোরদর্ন সিরিয়াদগী য়ু এসকী ট্রুপশিং লৌথোক্লবা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মতাংদা মহাকপু মশামক্কী পার্টিগী লিদরশিং, দোমোক্রেটশিং অমদি মিলিটরি এক্সপার্টশিংনা অকনবা মওংদা ক্রিটিসাইজ তৌখিবনি। মহাক্কী ৱারেপ অদুনা মরম ওইদুনা টর্কিনা কর্দশিংদা এটেক তৌবা য়াহনখিবগা লোয়ননা ইস্লামিক ষ্টেটকী টেররিষ্টশিং অমুক হন্না মথি ফোংলকপা য়াবগী অরুবা ফিভম লাকহনখি।

মফম অদুদা য়ু এসকী লান্মী খরা লৈরম্বা অদুনা টর্কিগী মায়োক্তা কর্দশিংগী চুঙ্গোই অমা ওইখিবনি। তৌইগুম্বসুং অমেরিকান ট্রুপ খরদু লৌথোকখিবদগী টর্কিনা মখোয়গী মতম শাংলক্লবা য়েক্লবা ওইরিবা কর্দশিংগী মায়োক্তা অকনবা লাঞ্জং অমা চঙশিনবা ঙমখিবনি।